# গুরমীটনা হায় কোর্টতা আপিল তৌখ্রে

## হনিপ্রীটনা এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা দিল্লি হায় কোর্টতা হায়জখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): পঞ্চকুলাগী স্পেসল সী বি আই কোর্টনা রেপ কেসকা মরী লৈননা পীখিবা ৱায়েলগী মায়োক্তা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহনা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টতা আপিল তৌখ্রে।

দেরাগী তুংইনবী অনী ফল্লানখিবগীদমক ওগষ্ট ২৫ দা রাম রহিমবু চহী ২০ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখি। লুপা লাখ ৩০ ফাইন ওইনা থীনবসু দেরাগী লুচিংবা অদুদা খঙহনখি। শেনফম অদুদগী ভিক্টিম অনীনা লুপা লাখ ১৪/১৪ ফংগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, গুরমীট রাম রহিমনা য়োকচবী মচানুপী হনিপ্রীট ইনসাননা এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা দিল্লি হায় কোর্টতা হায়জখ্রে।

দেরাগী লুচিংবা রাম রহিমবু রোহটককী জেলদা থমখিবা নুমিৎতগী হনিপ্রীট ইনসান থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। রাম রহিমবু রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা থোকখিবা হাৎন-শুনবা থৌদোক্কী মতাংদা হরিয়ানা পুলিসনা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদৌবগী তান্নরিবা মীওই ৪৩গী মনুংদা প্রিয়াঙ্কা টনেজা এলিয়স হনিপ্রীটনা খ্বাইদগী মকোক ইথং থংনা লৈরি। পুলিসনা মীওই অসি ফানবা মফম কয়াদা নোটিশ থাবা লৈখ্রে।

হনিপ্রীটকী উকিল প্রদিপ কুমার আরিয়ানা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, দিল্লি হায় কোর্টতা এন্টিসিপেটরি বেল পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবা মরম্না এক্টিং চীফ জষ্টিশ গীতা মিট্টালনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা অথুবা মতমদা হিয়ারিং চত্থরগনি।

অতোপ্পা দেরাগী মরুওইবা লুচিংবা অনী - পাৱন ইনসান অমসুং অদিত্য ইনসানগী মতাংদা ইন্টরনেসনল এলর্ট লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীওইশিং অদুবু ফানবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রবনি। হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোকহল্লি হায়বগীদমক সিদিসনগী চার্জদা হনিপ্রীট ইনসান, পাৱন ইনসান অমসুং অদিত্য ইনসানবু হরিয়ানা পুলিসনা বূক তৌখি। হরিয়ানা পুলিসকী টিম অমনা ইন্দো-নেপাল বোর্দর য়াওনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা চৎতুনা হনিপ্রীটকী খোঙ্গুল লিদুনা লাকখি।

চহী ২০ ফাদোক তাদুনা জেলদা লৈরিবা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহ সতিব্র্যসিসনা নারবা মীওইনি হায়না জেলগী দোক্টরশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সতিব্র্যসিস হায়বসি তোঙান-তোঙানবা নুপী কয়াগা হকচাংগী ওইবা মরী থম্নরগা অপেনবা পোকপগী থৌওংনি। রোহটক জেলদা গুরমীট রাম রহিমবু লায়েংলিবা দোক্টরশিংগী টিম অমনা হায়খি, সেক্স এদিক্ট অমা ওইরবা গুরমীট রাম রহিমনা জেল মনুংদা নুপী অমত্তা উনবা ফংদবা মরম্না লৈতাফম খঙদবগী মওং অমা উখোরক্লে। লায়না অসি লায়েংলগা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু, হেঞ্জিনখিবা থোক্লবদি কা হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌদোক কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, দেরা সচা সৌদাগী হেদ ক্বার্টরসতা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থরিবা সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা অরোনবা শুরুংগী লম্বী অমা থেংনবা লৈখ্রে। হায়রিবা শুরুংগী লম্বী অদু গুরমীট রাম রহিমগী ক্বার্টরসকা নুপী তুংইনবীশিংগী লৈফমগা ফাওনৈ হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা থিজিল্লিবা হরিয়ানা পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না দেরা সচা সৌদা (দি এস এস)গী তুংইনবা অহুম ফাবা লৈখ্রে। হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা দেরাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহবু পঞ্চকুলাদগী নাম্থোকহন্নবা থৌরাং তৌবদা চেন্নে হায়বগীদমক মীওই ৩ অদু ফাখিবনি। ওগষ্ট ২৫ দা দেরাগী লুচিংবা রাম রহিমবু রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা দেরাগী তুংইনবশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখি। রাম রহিমগী পার্সনেল সিক্যুরিটি গার্দনা অরোনবা থৌরাং তৌরগা দেরাগী লুচিংবা অদুবু নাম্থোকহন্নবা হোৎনখিবনি।

# বোরোলেন্দগী খোঙজং ওক্টোবর ১০ দগী হৌরগনি

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলত্তবা থোক্লবদি তোখায়বা বোরোলেন্দ ষ্টেট শেম্নবগী খোঙজং অকনবা মওংদা চঙশিল্লগনি হায়না ওল বোরো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ বি এস য়ু)গী প্রসিদেন্ট প্রমোদ বোরোনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না ষ্টেটহূদ তানবগী খোঙজং কনশিন্নবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লে। মতম চুপ্পা ঈং-তপ্পা মওংদা খোঙজং চঙশিনবা য়ারত্তবগী তানফম লাকপা মরম্না অথুবা মতমদা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। লম্বী থিংবা, রেল লম্বী থিংবা অমসুং বন্দনচিংবা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিন্দুনা বোরোলেন্দ ষ্টেট শেম্বগী দিমান্দ ফংনবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা প্রমোদ বোরোনা হায়খি, সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীখল মমাঙদা শকখিবা ৱাশক থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা বোরোলেন্দগী ৱাথোক লোইশিন-হনগনি হায়না মেনিফেষ্টোদা ফোঙখি। লাইবক থীবদি সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপা লৈত্রি।

এ বি এস য়ুনা চঙশিনগদবা খোঙজংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ওক্টোবর ১০ দা পুং ১২গী ওইবা রেল লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। মদুগী মতুং তারকপদা নবেম্বর থাগী অঙনবা শরুক্তা মীয়াম হুপ্পা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে।

অমরোমদা, তোখায়বা বোরোলেন্দ ষ্টেট তানবগী খোঙজং চঙশিল্লিবা ওর্গনাইজেসন অহুম্না থা অসিগী মনুংদা চঙশিনগদবা খোঙজংশিং লাউথোকখ্রে। এ বি এস য়ু, নেসনল দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোরোলেন্দ (এন দি এফ বি) অমসুং পিপলস জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ফোর বোরোলেন্দ মুভমেন্ট (পি জে এ সী বি এম)না পূল্লগা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি। ওগষ্ট ২৮ দা ওর্গনাইজেসন অহুমগী ৱিমেন ৱিংনা নেসনল হায়ৱে থিংগদৌরি।

# ফলাহারি বাবাগী ভরিলিটি টেষ্ট তৌগদৌরি



জয়পুর, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): লো তল্লিবী মহৈরোয় অমা ফল্লানবগী মরালদা ফাখিবা স্বামি কৌশলেন্দ্র প্রপন্নাচারি ফলাহারি মহারাজবু ভরিলিটি টেষ্ট তৌরগনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মশানা মশাবু তাইবং মপূগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা মীওই অসি নুপীগা হকচাংগী ওইবা মরী থম্নবদা কয়ামুক য়াম্না মতিক ময়াই লৈবগে হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক ভরিলিটি টেষ্ট তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

অরাবলি বিহার পুলিস ষ্টেসনগী ষ্টেসন হেদ ওফিসর শিশ্রাম মীনানা হায়খি, ফলাহারিগী সেম্পল ফোরেন্সিক লেবোরেটরিদা থাদুনা কনফর্মেসন টেষ্ট তৌনবা থৌরাং লৌখৎলে।

মশানা মশাবু তাইবং মপূগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা মীওই অসি ছটিশগরদগী লাকপী মশাগী চহী ২১ শুবদা ঙাইরিবী নুপী অমা ফল্লানখিবগী মরালদা ফাখিবনি। পুলিসনা ফলাহারি মহারাজগী কাদা লৈরম্বা লেপ্টোপ, সী দি অমসুং সী সী টি ভিগী ফূটেজ ফোরেন্সিক এগজামিনেসনগীদমক থাখি। মশাগী চহী ৭০ শুরবা ফলাহারিগী জুদিসল রিমান্দগী মতম ওক্টোবর ৬ তা লোইরগনি।

পুলিসনা ফাদনবগীদমক ফলাহারিনা হকচাং ঙমদ্রে হায়জিল্লগা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌদুনা লৈখিবনি। অলৱার পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না চান্দিগরগী বিলাস্পুর পুলিস ষ্টেসনদা জিরো এফ আই আর অমা ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরগা মীওই অসি ফাখিবনি। কেস অসি ফল্লানবগী থৌদোক থোকখিবা অর্বালি বিহারগী পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নদুনা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

ফল্লানবীখ্রবা নুপী অদুনা মশাগী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খিবনি ওগষ্ট ৭ তা মহাক্না দিব্য ধান আশ্রমদা চৎখি। নুমিৎতুদা ফলাহারি বাবানা মহাকপু অহিং য়ারেক্লবা খঙহল্লকখি। নুমিদাংগী পুং ৭ তাবদা নুপীমচা অদু কা মনুংদা কৌশিল্লগা ফল্লানখিবনি হায়রি।

ফারবা ফলাহারি বাবাবু পুলিস ওফিসলশিংগী টিম অমনা গভর্ণ-মেন্টকী হোস্পিটালদা পুরগা মেদিকেল চেক-অপ তৌরবা মতুংদা মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক পুলিস কষ্টদিদা থমখি।

পনবা য়াবদি, চান্দিগরগী বিলাস্পুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মশাগী চহী ২১ শুরবা লো ষ্টুদেন্ট অমনা মহাকপু রাজস্থানগী মশানা মশাবু তাইবং মপূনি হায়জবা মীওই অমনা ফল্লানখ্রে হায়না ৱাকৎলকপা লৈখ্রবনি।

ৱাকৎ অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱিমেন পুলিস ষ্টেসননা সেপ্টেম্বর ১১ দা মশাগী চহী ৭০ শুরবা স্বামি কৌশলেন্দ্র প্রপন্নচারি ফলাহারি মহারাজগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে হায়না বিলাস্পুরগী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অর্চনা ঝানা ফোঙদোকখি।

নমদুনা ফল্লানবগী থৌদোক অদু হৌখিবা ওগষ্ট ৭ তা থোকখিবনি হায়রি। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না জয়পুরদা লো তল্লিবী নুপী অদুগী মমা-মপানা স্বামি কৌশলেন্দ্র প্রপন্নচারি ফলাহারি মহারাজগী মথক্তা রেপকী মরাল শীরকখিবনি।

# ‘সর্জিকেল ষ্ট্রাইক কয়া চত্থনবা শেম শারে’

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা পীখিবা পাউজেল হৌজিক ফাওবা পাকিস্তাননা লৌশিনবা ঙমদ্রবদি মখা তাবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক কয়া চত্থনবা শেম শারে হায়না আর্মি চীফ জেনরেল বিপিন ৱাৱটনা ফোঙদোকখ্রে।

লাইরিক অমা ফোঙবগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, মমাঙদা ইন্দিয়ানা চত্থখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অদু পাকিস্তানদা পীবা ময়েক শেংলবা পাউজেলনি। তঙাইফদ্রবদি মখা তানা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক কয়া চত্থনবা থৌরাং তৌরে।

অমরোমদা, সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অদুবু লুচিংখিবা আর্মি মেজরনা হায়খ্রে মদুদি, এটেক চত্থরুরগা হল্লকপগী লম্বীদা খূদোংথীবা কয়ামরুম মায়োক্লখি।

‘ইন্দিয়াজ মোষ্ট ফিয়রলেস : ট্রু ষ্টোরিজ ওফ মোদর্ন মিলিটরি হিরোজ’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমদা মেজর মাইক তেঙ্গোনা হায়খি, য়ুরিদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চত্থরকখিবা আর্মি য়ুনিটতগী পার্সনেল খরা খনগৎলগা ঘাটক প্লেটূন শেমখি। প্লেটূন অদু কাঙলূপ অনী থোক্লা খায়দোক্লগা লাইন ওফ কন্ট্রোল এল ও সী ৱাংমা লান্না পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে)দা লৈবা টেররিষ্টশিংগী লোৎফমদা এটেক চত্থখিবনি।

পাকিস্তানদা মপুং ফাবা পাউজেল পীবা ওইনা মমাঙ চহীদা ইন্দিয়ন আর্মিনা ঙমখৈ লানশিল্লগা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চত্থখিবনি হায়না আর্মিগী নোরদর্ন কম্মান্দগী জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং-ইন-চীফ ওইরম্বা লেফটনেন্ট জেনরেল দি এস হুদানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বরদা এল ও সী লানশিল্লগা পাকিস্তানদা চত্থখিবা এটেক অদুবু য়েংশিনখিবা মতমদুগী নোরদর্ন কম্মান্দগী লুচিংবা হুদানা ন্যুজ চেন্নেল অমদা হায়খি মদুদি, এটেক চত্থনবা থৌরাং লৌখৎপা মতমদা পাকিস্তাননা খূৎ হল্লকপা তারবদি মদুদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদসু শেম শাখি। অদুবু, পাকিস্তাননা খূৎ হল্লকপা তৌখিদে।

ওপরেসন অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লান্মী অমা অশোক-অপন নংখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অশোক-অপন নংখিবা লান্মী অদু পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপ্লকপদা শোকখিবা নত্তে। এল ও সীগী ইন্দিয়ারোম থংবা মায়কৈদা লেন্দমাইন পোকখায়বদা শোকখিবনি।

করি মরমগী ইন্দিয়ন আর্মিনা নোংথক্তগী এটেক চত্থবগী মহুৎতা ঙমখৈ ৱাংমা লান্না টেররিষ্টশিংগী লোৎফমদা লান্মী থাজিল্লগা এটেক চত্থখ্রিবনো হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা হুদানা হায়খি, ইন্দিয়ন আর্মিনা অপাম্বা মতমদা ঙমখৈ লানশিল্লগা এটেক চত্থবা ঙম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা উৎনবগীদমক সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চত্থখিবনি।

কুমজা ২০১৫ গী জুনদা ইন্দিয়ন আর্মিনা ঙমখৈ লানশিল্লগা ম্যান্মারদা লৈবা লালহৌবশিংগী মথক্তা এটেক চত্থখিবগী মতাংদা পাকিস্তাননা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোরকখি। মরুওইনা পাকিস্তানদি ম্যান্মারগা মান্নদবা মরম্না অতোপ্পা লৈঙাক্কী লান্মীনা এটেক চত্থরকপদা মতিক চাবা পাউখুম পীগনি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। অদুবু, ইন্দিয়ন আর্মিনা হৈ-শিংবা মওংদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চত্থদুনা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা ফাওবদা পাকিস্তাননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা তৌখিদে।

/DOCUMENT তাহৌরে

হৌখিবা তাং ২০/৯/২০১৭ ইংদা লমজাওদগী থৌবাল চৎপগী লম্বীদা ঐগী Class X, Exam 2015 (HSLC Exam., 2015), BOSEM না Issued তৌবা Original Certificate, Admit Card, Marksheet, Roll No. 19411 ওইবা অসি মফম খঙদনা তাহৌরে। কনাগুম্বনা খুনবীরবদি মপু ঐঙোন্দা শিন্নবীয়ু। তৌবীমল কাওজরোই।

খঙহঞ্জরিবা : ৱাইখোম লোয়াঙম্বা সিংহ
লমজাও মখা লৈকায়। ☎ 7085347994

HL-P/2186/26

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : IMPHAL WEST - PATSOI

*Ref:- Mut. Case No. 796/SDC/IW(P) of 2017*

Shri Aheibam Suraj Meetei s/o Dewan Meetei of Takyel Kolom Leikai.
-Petitioner

-Vs-

Late Shri Aheibam (o) Mema Leima w/o (L) Dewan Meetei of Takyel Kolom Leikai.
-O.P. Party

/NOTICE
25/09/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৯৪-লাংজিংগী পাট্টা নং ১৮১ (অরিবা), ১৯৬ (অনৌবা) দাগ নং ২৮১ গী পোইন্ট ০.৯২একর চাওবা অঙনফৌ লম অসিগী পাট্টাদারিনি অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বর্ত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা-লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৩/১০/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী হুকুম চত্থরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector,Imphal West, Patsoi

HL-P/2956/26

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : IMPHAL WEST - PATSOI

*Ref:- Mut. Case No. 795/SDC/IW(P) of 2017*

Mayengbam (o) Ingalei Devi w/o (L) M. Amuba Singh of Thongju.
-Petitioner

-Vs-

Late Mayengbam Amuba Singh s/o (L) Gopal Singh of Patsoi Part IV.
-O.P. Party

/NOTICE
25/09/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী পাট্টা নং ১৩৭, ২৮৪ (অরিবা), ৭৯৬/১৬৮৮ (অনৌবা) দাগ নং ২০৪/৫৩৮ গী পোইন্ট ০.৩০৮৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বর্ত্তনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা-লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৩/১০/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী হুকুম চত্থরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector,Imphal West, Patsoi

HL-P/2956/26

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST (CENTRAL) : MANIPUR

*Ref:- Mut. Case No. 1970/SDC/IW(C) dated 23/9/2017*

1. Mutum Roshan Singh s/o (L) Angouba Singh of Heirangoithong Ahongshangbam Leikai A/P Utlou Mayai Leikai, 2. Mutum Suresh Meitei s/o (L) -do- of -do-.
-Petitioners

-Vs-

Late Mutum Angouba Singh s/o (L) Ibotombi Singh of Heirangoithong Ahongshangbam Leikai.
-OP. party

/NOTICE
Imphal, the 25th September, 2017

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি, মৃ: পাট্টাদার Mutum Angouba Singh পীং (L) Ibotombi Singh of Heirangoithong Ahongshangbam গী মিংদা লৈবা ঈঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬১-অহোংশাংবম লৈকায়গী অনৌবা পাট্টা নং ৫১, অরিবা পাট্টা নং ৬১/৫৬, দাগ নং ৬৪ অমসুং এরিয়ানা ০.০৮৪০০ (হেক্টর) চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West (Central) Manipur.

HL-P/2956/26

HelpingHand Health Care
Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.
Phone: 7085500324 / 0385-2051738
ACUPRESSURE & PHYSICAL THERAPY
FREE O.P.D. for First 4 Patient Everyday;
Time from 6 a.m. - 8 p.m.
* খ্বাং নাবা, * লু-তাং চিকপা, * কল্লাক মরী শোনবা,
* পেরালাইসিস, * কোক চিকপা, * খোঙ-খুৎ চিকপা-নাবা ..etc
- FIRST COME FIRST SERVE - “ COME AND BE HEALED ”

HL-B/4122/22 Sept. & 1 Oct.

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT : FORESTS & ENVIRONMENT DEPARTMENT**
----
**ORDERS BY THE GOVERNOR : MANIPUR**
Imphal, the 5th June, 2017.

**No.20/27/2013-For & Envt:** Under para No.(i) & (ii) of guidelines of the Ministry of Forest, Environment & Climate Change, Government of India vide their letter F.No. 11-306/2014-FC(Pt) dated 28/8/2015 and the proposal of Pr.Chief Conservator of Forest vide their letter No.7/91/2013/Forests/116 dated 18/5/2017 and the Ministry letter No.3-MNC 040/2014/SHI/2467-68 dated 26/11/2015 granted in principal approval to the diversion of 9.55 ha of Forest land for Widening/upgradation of Thoubal to Kasom Khullen road by PWD under NESRIP, the Governor of Manipur is pleased to grant working permission to the User Agency for tree cutting and commencement of work subject to fulfillment of the following condition in compliance of order dated 7/11/2012 of NGT in the Appeal No.7 of 2012.

I. The working permission granted shall be valid for 1 (one) year with effect from the date of issue of this order.

II. State Forest Department shall upload the copy of in principal approval letter from Ministry for the project proposal and the working permission issued by the State Government to the website of the Forest Department to ensure availability to the public domain.

III. PWD shall publish the entire in principal approval granted in verbatim along with the conditions and safeguards imposed by the Central Government and the working permission issued by the State Government in 2 local widely circulated daily newspapers one in vernacular language and the other in English language so as to make people aware of the permission granted to the project proposal and ensure availability to the public domain.

IV. PWD shall submit the copies of the IPA letters and the Working Permission to the Heads of local bodies in addition to the relevant offices of the Government who in turn has to display the same for 30 days from the date of receipt.

V. PWD and State Forest Department shall submit the compliance report of all the conditions stipulated in the IPA vide letter No.3-MNC 040/2014/SHI/2467-68 dated 27/11/2015 within 1 year for obtaining final approval of the project from the Central Government.

By orders & in the name of Governor,
( T. Manihar Singh )
Deputy Secretary (For. & Envt.),
Government of Manipur.
---

GOVERNMENT OF INDIA
MINISTRY OF ENVIRONMENT, FOREST AND CLIMATE CHANGE
NORTH EASTERN REGIONAL OFFICE
LAW-U-SIB, LUMBATNGEN
NEAR M.T.C. WORKSHOP, SHILLONG - 793021
PHONE NO: 0364-2537609
FAX NO: 0364-2536041
Email: moefshil_09@rediffmail.com

**No. 3-MN C 040/2014-SHI/2467-68** **27th November, 2015**

To

The Principal Secretary
Government of Manipur,
Environment and Forests Department,
Imphal,

Sub : Diversion of 9.55 ha of forest land for widening/Upgradation of Thoubal to Kasom Khullen road by PWD under NESRIP in Manipur.

Sir,

This has got reference to the State Govt letter No. 20/27/2013-For & Envt: dated 13,05.2014 on the subject mentioned above, seeking prior approval of the Central Government in accordance with Section 2 of the FCA, 1980.

After careful consideration of the proposal of the State Government, I am directed to Inform that the Central Government hereby conveys its "In Principle Approval" for diversion of 9.55 ha of forest land for widening/Upgradation of Thoubal to Kasom Khullen road by PWD under NESRIP in Manipur subject to the following conditions:

(i) The User Agency shall transfer the cost of compensatory afforestation over 19.10 ha has been identified at Kasom Khullen, Eastern Forest Division, Ukhrul to the Adhoc CAMPA through State Forest Department.

(ii) The State Govt shall charge the Net Present Value of the forest land diverted under this proposal from the User Agency as per the Judgment of the Hon'ble Supreme Court of India dated 28.03.2008 & 09.05.2008 in IA No.566 in WP (C) No.202/1995 and as per the guideline issued by this Ministry vide letter No. 5-3/2001 -FC dated 05.02.2009 in this regard.

(iii) The User Agency shall furnish an undertaking to pay the additional amount of the Net Present Value (NPV) of the diverted forest land, if any, becoming due after finalization/ revision of the same by Hon'ble Supreme Court of India.

(iv) All the above funds received from the User Agency under the project shall be transferred to the Ad-hoc CAMPA Fund (CAF in New SB account No. SB01025219 of Corporation Bank, CGO Complex, Phase-I, Lodhi Road, New Delhi-110003).

(v) The User Agency shall obtain Environment Clearance as per the project provisions of the Environment (Protection) Act, 1986, if required under the said Act.

(vi) No labour camp shall be established on the forest land.

(vii) The felling of trees on the forest land being diverted shall be reduced to the bare minimum and the trees should be felled under strict supervision of State Forest Department Forest.

(viii) The User Agency shall bear and deposit the amount of the cost of transportation of the felled trees directly to the concerned Divisional Forest Officer.

(ix) The User Agency shall bear and deposit the amount of the cost of demarcation of the land proposed for diversion directly to the concerned Divisional Forest Officer.

(x) The certificates for the payment in respect to SI. No. (viii) and (ix) shall be furnished to this office by the user agency.

(xi) Sufficient quantity of firewood, preferably the alternate fuel, shall be provided by the user agency to the labourers after purchasing the same from the State Forest Department or the Forest development Corporation or any other legal source of alternate fuel.

(xii) The user agency shall raise strip plantation on both sides and central verge of the road.

(xiii) The forest land shall not be used for any purpose other than that specified in the proposal and under no circumstances be transferred to any other agency, department or person.

(xiv) The lay out plan of the proposal shall not be changed without the prior approval of the Central Government.

(xv) All other clearance/NOCs under different applicable rules/regulations /local laws and under Forest Dwellers (Recognition of Forest Rights)Act, 2006 as required vide MoEF, New Delhi guideline No.11-9/1998-FC(pt) dated 03.08.2009 shall be complied with.

(xvi) The concerned Divisional Forest Officer shall demarcate the land proposed for diversion on the ground by erecting at least 4' high cement-concrete pillars duly numbered, forward and backward bearing and distance from pillar to pillar written on the pillars and DGPS co-ordinates to be inscribed on the pillars.

After receipt of the compliance report from the State Government on fulfillment of the conditions mentioned above, final approval will be issued in this regard. Formal transfer of forest land shall not be effected by the State Govt till final approval orders approving the diversion of forest land are issued by the Central Government.

This has the approval of Additional Principal Chief Conservator of Forests (Central).

Yours faithfully,
( R.L. Sanga )
Conservator of Forests(C)

HL-B/4141/26 sept.